# যু এন জেনরেল এসেমব্লি ফম্লিঁঙৈ মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লৈবাক কয়াগী লূচিংবশিং উন্নখ্রে



**ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা যু এন জেনরেল এসেমব্লি নৎত্রগা যু এন জি এ সেসন ফম্লিঁঙৈ তাল্লক্তা জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল, ইটালিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর গ্যুসেপ কোন্টে অমসুং কাটারগী এমির শৈখ তামিম বিন হমাদ য়াওনা লৈবাক কয়াগী লূচিংবশিংগা তোঙান–তোঙান উন্নখ্রে।

যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু ৱা ঙাংখিবা অচৌবা ইন্দিয়ান কম্যুনিটিগী থৌরম অমদা ইন্দিয়ান–অমেরিকান ৫০,০০০ হেনবদা হৌষ্টনদা পূক্লিং শুমহন্নিঙাই ওইনা ৱা ঙাংলম্লবা তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা যু এন জেনরেল এসেমব্লিগী ৭৪ শুবা সেসনদা শরুক য়ানবা নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা ন্যু য়োর্কতা থুংখি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী অপূনবা বোদি অদুগী চহীগী মীফম অদু য়াওবা লাকপগী খুদোঙচাবা লৌদুনা নরেন্দ্র মোদিনা কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট ইভান দ্যুক মারকুৱেজ, নাইজরগী প্রসিদেন্ট ইশৌফৌ মহামাদৌ, নম্বিয়াগী প্রসিদেন্ট হেগে গেইংগোব, মালদিবসকী প্রসিদেন্ট ইব্রাহীম মোহমেদ সোলিহ, ভুতানগী প্রাইম মিনিষ্টর লোতে সেরিং অমসুং নেদরলেন্দসকী প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুটেনাচিংবগাসু উন্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগা লৈবাক কয়াগী লূচিংবশিংগা উন্নখিবা অদুগী মতাংদা পাউমীশিংদা শন্নপ্পা পাউদম পীরদুনা এক্সটর্নেল এফিসয়ার মিনিষ্টিগী ৱাঙাংলোই রবীস কুমারনা উন্নখিবা খরদদি জম্মু এন্দ কাশ্মির লমদমগী ফিভমগী মতাংদা খান্নখি হায়খি।

কাটারগী এমিরনা লৈবাক্কী ইকোনোমি শৌগৎপগীদমক ইন্দিয়ান দায়এস্পোরাদা মহাক্কী নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। লমদম অদুদা লৈরিবা ফিভমগা চান্ননা নাকন অনীমক্কা কাউন্টর টেরোরিজমদা তেঙবাংন্নবগী মতাংদা খন্নখি হায়না রব্বিস কুমারনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা মহাত্মা গান্ধী ইন্টরনেসনেল কনভেন্সন সেন্টর শান্নবগীদমক নাইজরদা দোল্লর মিল্লিন ৩৫গী তেংবাং পীখ্রে অমসুং প্রোজেক্ট অদু লোয়শিল্লক্কদৌরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নাইজরগী প্রসিদেন্ট মহামাদৌনসু এগ্রিকলচর সেক্টর অমসুং সোলর ইনর্জিগী লমদা তেংবাংনবগী ৱাফম পুখৎলকখি। হায়রিবা হিরম অনী অসিদা ইন্দিয়াগী হৈশিংবা ময়াম অমা লৈ অমসুং নাকন অনীনা মসি মাঙলোমদা পুখৎনবসু খন্নখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

ন্যু য়োর্ক খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়নখিবা এক্সটর্নেল এফিয়ার মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করগসু ইরান, কোটে দিআইভোর, গুৱায়ানা, বলগেরিয়া, টর্কি, নেদরলেন্দস, উজবেকিষ্টান, টাজিকিষ্টান, ইক্বেটোরিয়েল গিনিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতগী মহাক্কী ফম্মান্নবশিংগা উন্নবগী থৌরম কয়ামরুম পাংথোকখি।

এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা অফগানিষ্টানগী মতাংদা যু এস স্পিসিয়েল এনভোই ওইরিবা জলমে খালিলজাদকসু উন্নখি। অফগানিষ্টানদা হৌজিক খ্বাইদগী নৌবা মওংদা ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা যু এস এম্বেসেদর জলমে খালিলজাদকা ৱারী শান্নদুনা ঐখোয়গী লৈরিবা মত অমসুং মীৎয়েঙশিং ফোঙদোক্লখি হায়না জয়শঙ্করনা ত্বিইট তৌখি।

# ইন্দোনেসিয়া উমংশিং মৈ থাবনা অঙাং মিল্লিয়ন ১০গী পূন্সি খুদোঙথিনিংঙাই ওইহল্লে ঃ যু এন

**জাকরটা, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** ইন্দোনেসিয়াদা উমংশিং মৈ থারকপশিং অদুনা য়াম্লবা চাংদা গ্রীনহাউস গ্যাসশিং থাদোরক্লি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা উমং মৈ চাকপশিং অদুনা অঙাং মিল্লিয়ন ১০ রোমবু এয়ার পোলূসনদগী মখোয়গী পূন্সি খুদোঙথিনিংঙাই ওইহল্লে হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মফম কয়ামরুমদা উমংশিং মৈ থারকখিবা অদুনা হূ চেনবা নাপী–শীংনাংগী মৈখুনা খা নোংপোক এসিয়গী মফম পূম্বদা চয়োল খরসিদা স্কুল লিশিং কয়া অমসুং এয়ারপোর্টশিং থিংজিনহনখ্রবনি। মীয়াম্না মৈখু ঙাকথোক্নবা মাস্ক লৈনবা হুপচিন্নরি অমসুং রেস্পিরেটরিগী অনাবশিংগীদমক মেদিকেল ট্রিৎমেন্ট ফংনবা হোৎনরি।

ইন্দোনেসিয়াগী সুমাট্রা ঈথৎ অমসুং বোর্নিও ঈথৎতা মৈ চাক্লিবশিং



*ইন্দোনেসিয়াগী খুঙ্গং অমদা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০১৯দা রেদক্রোষ্ট বোলুন্টিয়ার অমনা অঙাংশিংদা ওক্সিজেনগী দোজ অমা পীরি*

অদুনা খ্বইদগী হেন্না শোকহল্লবা মফমশিংদা চহী ১৮গী মখাগী অঙাং মিল্লিয়ন ১০ রোম লৈরি। অঙাং মিল্লিয়ন ১০ অসিগী শরুক ৪ থোকপগী ১দি চহী ৫গী মখাগী অঙাংশিংনি হায়না যু এন চিলড্রেন্স এজেন্সি য়ুনিসেফনা হায়রি।

ইম্যুন সিষ্টেমশিং মপূং ফানা দিভলপ তৌদ্রিবা মরমনা পীক্লিবা অঙাংশিংদা হেন্না খুদোঙ থিনীংঙাই ওই। মীরোল্লিঁঙৈদা পোলূসন মরক্তা লৈবা মমাশিংনা পোকপা অঙাংশিং পোকপদা অরুম্বা ৱাৎপগী নৎত্রগা মতম শুদনা পোকপগী খুদোংথিবা থোকপা য়াই হায়না মখোয়না হায়খি।

নুংশিৎ শেংবগী চাং ৱাৎপা অসি ইন্দোনেসিয়াগীদমক শাথিরবা অমসুং হেনগৎলক্লিবা শীংনবা অমনি হায়না য়ুনিসেফকী দেবোরা কোমিনিনা হায়খি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী আর্থ ওবজার্ভেসন প্রোগ্রামগী শরুক ওইরিবা কোপরনিকস এদমোসফিয়ার মোনিটরিং সার্ভিসনা ফোঙদোকপদা চহী অসিগী ইন্দোনেসিয়াগী উমং মৈ চাকপাসিনা চহী ২০গী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না তমথিখিবা ২০১৫দা মৈ চাকখিবদা এদমোসফিয়ারদা থাদোক্লকখিবা কার্বোন দাইওক্সাইদ অদুমুক য়াম্না থাদোকই হায়খি। অগষ্ট অহৌবদগী সেপ্টেম্বই ১৮ ফাওবদা মৈ চাকপশিং অদুনা গ্রীনহাউস গ্যাস মেগাটোন ৩৬০রোম থাদোকখি। চহী ৪গী মমাঙদা হায়রিবা মতম অসিমক্তগুদা মেগাটোন ৪০০ থাদোকখিবনি হায়না এদমোসফিয়ার মোনিটরিং সার্ভিস অসিনা হায়খি।

মেগাটোন ১ হায়বসি টোন মিল্লিয়ন ১গা মান্নে।

# বোইংনা ৭৩৭ মেক্স ক্রাস ভিক্টিম ৩৪৬কী ইমূং–মনূং অমমমদা যু এস দোল্লর ১৪৪,৫০০ পীরগনি

**ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** বোইং কোনা মখোয়গী ৭৩৭ মেক্স ক্রাস অনীদা শিখিবা মীওই ৩৪৬কী ইমূংশিং অদুদা জুলাইদা লাওথোকখিবা মিল্লিয়ন ৫০গী ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্স ফন্দ অমদগী অমমমদা দোল্লর ১৮৮,৫০০ পীরগনি হায়না ফন্দ অদুগী এদমিনিষ্টেটরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাসিংটনগী উকিলশিং কেন ফেইনবর্গ অমসুং কেমিলে এস বিরোসনা য়েঙশিনবা ফন্দ অদুনা ইমূং–মনূংগী মীওইশিংদগী লাকপা ক্লেমশিং খুদক্তা লৌশিনবা হৌরগনি। ৭৩৭ মেক্স অদু ইথিওপিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা চাওনা মীশি–মীনা থোকপা ক্রাসশিংগী মতূংদা মার্চ থাদগী পাইখিদ্রবনি।

ইমূং –মনূংশিংগী ক্লেমশিং অদু দিসিম্বর ৩০দগী থেঙথদনা পোষ্টমার্ক



তৌরক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি। ক্রাসতা শিখিবা মীওইশিংগী ইমূং মনূংশিং অদু লৈবাক ৩৫গী মীওইশিং ওইবা মরমনা মখোয়গী ফংফম থোকপা মীওইশিং পূন্নমক অদু কদাইদা লৈ হায়বা খঙনবা হোৎনবা অমসুং ফন্দশিং অসি শুকশোয়দনা ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অশেংবা শীংনবা অমনি হায়না রোইটরসতা থারকপা ইমেল অমদা ফেনবর্গনা হায়খি।

বোইং সি ই ও দেন্নিস মুইলেনবর্গনা ষ্টেটমেন্ট অমদা কম্পেনি অসিনা ক্রাস অনী অদুগী ভিক্টিমশিংগী ইমূং মনূংশিং অমসুং নুংশিজরবশিং অদুগী মফমদা থম্মোয় শোক্না নুংশিবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

ফন্দ অসি হাংদোকপা অসি ঐখোয়গী শোক্লবা ইমূংশিং অদুদা মতেং পাংনবগী ঐখোয়গী মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

শোক্লবা কম্যুনিটিশিংদা এদুকেসন অমসুং ইকোনোমিক ইম্পৱারমেন শৌগৎনবা অহেনবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০গী শেনফম অমা খরচ তৌনবসু কম্পেনি অসিনা থৌরাং তৌরি হায়না বোইংনা জুলাইদসু লাওথোকখ্রে।

কম্পেন্সেসনগী লো সুট তৌরকখিবা অয়াম্বনা অককবা শেনফম অমা হায়রকখিদে, অদুবু লো ফার্ম অমনদি মখোয়গী ক্লাইন্টশিংনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১দগী হেন্না দিমান্দ তৌরি হায়খি।

বোইংনা ওটোমেটেদ ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম অদু দিফেক্টিব ওইনা দিজাইন তৌরকখি। এক্সিদেন্ট অনীমক অদুদা বোইং অদুবু হন্না হন্না মদুগী নোজ মখাদা নেমথহল্লকখিবদু সিষ্টেম অদুননি থাজরি হায়না লো সুটিশিং অদুনা হায়খি।

# য়ু পি গভর্ণমেন্টনা ক্রাইম লাক্সিনবা ঙমদ্রে ঃ প্রিয়াঙ্কা গান্ধী

**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** কোংগ্রেস লূচিংবী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা ঙসি উত্তর প্রদেসতা লৈবা বি জে পি গভর্ণমেন্টপু ক্রিমিনেলগী থৌদোকশিং হেনগৎলকপগী মরান শীরদুনা যোগী অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা ক্রাইম লাক্সিনবা ঙমদ্রে হায়খ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ ২২নিদা ষ্টেটকী কোনূং লখ্নৌদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক ১২ অমসুং মীহাৎপা ৪ থোকখি হায়না কোংগ্রেস জনরেল সেক্রেটরি অসিনা ত্বিইটরদা মেদিয়া রিপোর্ট অমসু থাগৎখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা ক্রাইম লাক্সিনবা ঙমদ্রে হায়খি।

# মাওইষ্টনা দিজল দ্রম পোকখায়হনবদা ৩ শিখ্রে



**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** ছতিসগড়গী কানকের দিষ্টিক্টতা ঙসি মাওইষ্টশিংনা য়াম্না মৈ চাক্কনবা দিজল থন্না হাপ্পা দ্রম অমা শিজিন্নদুনা পোকখায়হল্লকপদা মীচম ৩ শিখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতূং থুনমক মাওইষ্টশিং অদুগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখ্রে অমসুং খুৎথোক্লবদু হৌজিক ফাওবা চথরি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগী অঙৌবা মচুগী আর্মোর ভেহিকল অমা লম্বী নাকনদা মথঙ্গা উন্দুনা লৈবা উই।

ঙসিগী খূৎ থোক্লবসি ষ্টেট অসিগী বসতার রিজনদা সুকমা, বিজাপুর অমসুং দান্টেৱাদা হায়রিবা দিষ্ট্রিক ৩দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মাওইষ্ট ৬ হাৎখিবগী চয়োল অমরোমগী তুংদনি।

সেপ্টেম্বর ২৩দা ছতিসড় এসেমব্লিগী বাই ইলেক্সনগী মাঙওইননা উমংগী লম ওইনা তৌবা দান্টেৱাদাগী মনূং হজ্ঞিনবা শরুকশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোম্বিং ওপরেসন চথবা কনখৎখ্রে।

চহী অসিগী এপ্রিলদা মাওইষ্টশিংনা বি জে পিগী এম এল এ ভিমা মান্দবী হাৎখিবদগী মরক্কী মীখল অদু মথৌ তাখিবনি।

# সেপ্টেম্বর ২০২০দগী জে এন্দ কেদগী সেন্সস ২০২১ হৌরগনি



**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** সেন্সস ২০২১গী মখাদা সেন্টরনা অহানবা দিজিটেল নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর)গীদমক হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী পাকচাওবা থবক অদু সেপ্টেম্বর ২০দগী হৌদুনা টেরিটোরি অসিনা খ্বাইদগী মকোক্তা থন্নদুনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী লিষ্ট অমা শেমখ্রে।

সেন্সস অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক সর্ভে য়াওনা ইন্দিয়াগী দেমোগ্রাফিক সর্ভেশিং থৌরাং তৌগদৌরিবা, পাংথোক্লবা অমসুং মদুগী ফলশিং নৈননবা হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ১৯৬১দা লিংখৎখিবা রেজিষ্ট্রার জেনরেল এন্দ সেন্সস কমিস্নার ওফ ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু চীংগী লমদম অমা ওইবনা লিষ্ট অদুগী খ্বাইদগী মকোক্তা হাপখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মথংদা লিষ্ট অসিদা উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশ লৈরি। উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশ অসি সেন্সসকী থবক অসিগী ২শুবা তাঙ্কক্তা কোনশিনগনি হায়না সেন্সস ইন্দিয়া ২০২১ হেল্পলাইন ওপরেটর অমনা হায়খি।

সেন্সস ২০২১গী থবক অদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সেপ্টম্বর ১১, ২০২০দগী হৌগনি অমসুং সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২০দা লোয়শিনগনি। জম্মুএন্দ কাশ্মিরগী মীয়ামবু নুমিৎ ২০নিগী মনূং অসিদা সেন্সস ২০২১গী মখাদা দিজিটেল এন পি আর দাটাদা রেজিষ্টার তৌগনি।

উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশতনা ওক্টোর ১, ২০২০দগী ওক্টোবর ৫, ২০২০ ফাওবা পাংথোক্কনি। ফেব্রুৱারী ৯, ২০২১ অমসুং ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২১গী মরক্তা অতৌ ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং কোনশিনগনি।

রেজিষ্টার জেনরেল এন্দ সেন্সস কমিস্নার ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসকী মতূং ইন্না সেন্সস ২০২১ অসি এন পি আর হাউসহোল্ড, হাউস লিষ্টিং অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক কুম্বা তোঙান তোঙানবা সর্ভে গ্রাউন্দশিংদা পাংথোক্কনি অমসুং গুগল প্লে ষ্টোরদগী দাউনলোদ তৌগদবা মোবাইল–বেজ এপ্প ‘সেন্সস ২০২১–এন পি আর’গী খূৎথাংদা পূন্নমক অসি পাংথোক্কনি।

সেন্সস ২০২১ দাটা অসি মীয়ামদা ফোঙদোকপদা চহী ৭ চংখিবা ২০১১ সেন্সস অদুদগী য়াম্না হেন্না তেনবা মতমগী মনূংদা ফোঙদোক্কনি, মসিগী মরম অমখক্তি ১৬শুবা ইন্দিয়ান সেন্সস অমসুং নীংতম্বা মতুংদা ৮শুবা সেন্সস অসিদা দিজিটেলগী পাম্বে শিজিন্নবা অসিননি হায়না রেজিষ্টার জেনরেলগী ওফিসনা হায়খি।

সেন্সস ২০২১ অসি লূপা ক্রোর ১২,০০০ চঙ্গনি, হৌজিক ফাওবদা থবক অসি তৌবদা মসিনা খ্বাইদগী শেন চঙবা ওইরি। বৃটিসকী মতম, ১৮৬৫তা ইন্দিয়াগী অহানবা সেন্সস অদু পাংথোকখি।

ইন্দিয়াদা মহৌশা লৈবা মীওই খুদিংমক্কা এন পি আর অসিদা শোয়দনমক রেজিষ্টর তৌবা মথৌ তাই। এন পি আরগীদমক রেসিদেন্ট অমনি হায়না মশক তাক্লিবদি হৌখিবা থা ৬ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না মফম অমদা লৈরকখিবা মীওই অমা নৎত্রগা মথঙ থা ৬ নৎত্রগা হেন্না মফম অদুদা লৈনবগী অনীংবা লৈবা মীওইনি। মহৌশানা লৈবা রেসিদেন্টশিংগী রেজিষ্টার অমা ওইরিবা নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার (এন পি আর) অসি সিটিজনসিপ এক্ট ১৯৫৫ অমসুং সিটিজনশিপ (রেজিষ্ট্রেসন ওফ সিটিজন্স এন্দ ইসু ওফ নেসনেল আইদেন্টি কার্দস) রুলস, ২০০৩গী মখাদা থৌরাং তৌগনি।

# নাগাগী অপূনবা লৈঙাক শেন্নবা দিমান্দ খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা য়াবা ঙম্লোইদবা খোঙজংনিঃ ইরেংবম চাউরেন

লমায় ৫গী মখা

মসিগী শুপমন তৌদুনা মণিপুরবু খুদম চনখিবা নুমিৎ ওক্তোবর ১৫বু ঐখোয়না ‘অমম্বা নুমিৎ’ নি হায়না লৌরক্কুনা, নুমিৎ অসিগী ৱাহম্লোক মণিপুরদা নীংতম ইহৌগী মরু হুল্লক্কুনা ঙসিগী খূৎলাই পায়বগী লাঞ্জং অসি শাফোঙলকখি। মসিদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাঞ্জং অসিবু নমথনবা মসিগী য়াম্লবা লান্মী কয়া থাজিল্লক্কুনা য়াওল্লোইসিংগা মুক্লবা হেনঙ্গৎকপদগী খূৎ থোক্লবা কয়া য়াওরক্কুনা মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী চৈথেং কয়া লেপ্পা লৈতনা ময়োক্লুরক্লি। মতাং অসিদা থমজনিংবা ৱাফমদি ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা লোইলম লৈঙাক অসি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈগদবা নত্তে অমসুং লমদম অসিগী ঐখোয়দা লাকপা অহোংবা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়েক্লবা ওইবা লৈবাকশিংগা অকনবা মুক্লবা থোকপা মতমদা মণিপুরগী নীংতম্বা হজ্ঞিল্লক্লুবগী লম্বী শুংশোই শোয়দনা পুরক্কনি অমসুং মসিদা মীয়াম্না ইশা ইশাগী থৌদাং লৌবা ঙম্নবা হৌজিক্তগী হৌনা শেম শাহৌবা তাই।

মরক অসিদা চীংদা খুন্দারিবা মণিপুরগী চীংমী ইচিল ইনাওশিং খরনা নাগাগী অপূনবা খুন্নাই অমা শেম্বদা য়াওনবা অদুগা নাকল অমরোমদা কুকিগী অনৌবা হোমলেন্দ অমা শেমগৎনবা হোৎনরিবা অসি ইন্দিয়ানা ফুরুপকী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলগা ৱারোইশিন থিদুনা পুরকপা কৈদৌঙদসু ওইথোক্লোই। অদুগীসু মথক্তা ফুরুপকী ওইবা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা নীংতম্বা তানবা হায়বসি ঙমখে নাইনা লাক্লিবা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা অদুগী ৱাখেমীন্নবা য়ারোইদবা ফিভমশিংনা হেন্না য়েক্লবা মশীং হেনগৎক্লবগী লম্বী শেম্বা ওইনা থোক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। ঙসিগী মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা থেংনরিবা লৈবাক কয়াগী ঙমখে মনুংদা খুন্দাদুনা লৈবাকশিং অদুগী তোঙান তোঙানবা অশেংবা লৈঙাক্কুগী মচাশিং ওইনা লৈনে। হায়রিবা ফুরুপশিং অসিনা ঐখোয়না খুন্দারিবা লমদমসিং অদু পুল্লগা ফুরুপতুগী ওইবা লৈবাক অমা শেম্নবা হোৎনদ্রবদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মুক্লবা লৈতবা লমদম লৈরোই। মসি কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা শৌগৎপা য়াবা নীংতম ইহৌগী খোঙজং অমা ওইনসু লৌনদে। মসি খঙনা খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নাগা অমসুং কুকি মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা হেজ্ঞিন্না থাজিল্লগা লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা য়েংথিনহন্নবা লালহৌবশিংবু শিংচেপ ওইনা শিজিন্নরিবা অসি খুদক্তা লেপ্পুনা নুংশি চান্ননা লৈমীন্নহন্নবা মতেং পাঙগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, ঐখোয়না উখ্রে মদুদি, অতোপ্পা লৈবাক মরিগী ঙমখে মনুংশিংদা খুন্দারিবা কর্দসশিংগী অপুনবা লৈবাক কুরদিস্থান (গ্রেটর কুরদিস্থান) শেম্নবা হোৎনরুবা কুর্দদিষ্ট নেসনেলিষ্টশিংগী মঙলান মঙফাওনবা ঙমদবদগী মশা মশানা খুন্দারিবা লৈবাকশিংদা ওইনা হেন্না মীৎয়েং চঙশিন্নখি। গ্রেটর সার্বিয়া অমসুং গ্রেটর ক্রোসিয়াগীদি অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা য়ুরোপতা খ্বাইদগী চাওবা লান অমা থোকহনখিদুনা মীশি মীনা কয়া নঙহনখিবগীদমক বোসনিয়া, সার্বস অমসুং কর্দসকী লূচিংবশিং য়াওনা সর্বিয়া অমসুং ক্রোসিয়াগী লূচিংবশিং কয়া ৱার ক্রাইম ওইনা চৈরাক ফঙনখি। মসিসু নাগা অমসুং কুকিগী লূচিংবশিংনা খঙজিনবা য়াবা অমনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না ইরমদমগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা ইশাগী থৌদাংবু থাজবা তম্লবগী মহুত্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেন্নকপা চৎন পথাপশিংদা ওইনা মীপান তাংহন্দুনা ঐখোয়গী ইথৌবু মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী থৌশিলন্দা শিন্নরিবা অসি মণিপুরগী ওইনা তুংদা য়াম্না লাইবক থিবা অমা ওইরক্কনি। মসিনা ঐখোয়না পাম্বা মওংদা শেন্নকপা থৌরম থৌশিলশিংদা ঐখোয়না ইন্দবা য়ারক্তবা ফিভম ওইহল্লক্তুনা ঐখোয়গী অনিংবা অমসুং অপাম্বা খুদিংমক অরেম্বদা কাঙখা থাঙ ওইনা তাহল্লক্কনি। মসি থোক্তনবগীদমক ঐখোয়না ইশাগী থৌদাংবু ইশানা লৌজদুনা খুন্নাইগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা মাংজিল থানা চোংথোক্তুনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা মণিপুরবু কন্নবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা তৌফদ্রবা ইথৌদাং ওইরি।

অদবু ঐখোয়গী মীশিং য়াম্লবা মীয়ামদি মসিদা করিসু থৌশাদনা ঐগী ঐগী কনবা খক্তদা ওইনা মীৎয়েং থম্নদুনা হিংনবা হোৎনরক্লিবা অসিনা খুন্নাইগী শোকচিল্লক্লবা ফিভমশিং অসিদা হেন্নদুম মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লি। খুদম ওইনা, ঙসি মণিপুরদা মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্কুনা মীপাইনিঙাই ওইবা ফিভম অমদা লাক্লিবা অসি কনানা ঐখোয়বু পুশিল্লকপনো অমসুং মখোয়গী হিংনবগী পাম্বে কনানা পীবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাফম ওইরক্লি। মসি ঐখোয়না ইশানা ইশাদা হংজরগা খুমজগদবা পাউখুমনি অমসুং মদুগীদমক করি পাউজেল তৌগদগে হায়বদুসু ঐখোয় ইশানা লৌগদবা ফিরেপকী মখা পোলহল্লিবনি। মসিগী মহুত্তা ঐখোয়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন কাঙলোন অমা মণিপুরগী য়াইফনগীদমক শেম্বীরক্লবা নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক পুম্বগী শেন্নিবা চৎন কাঙলোন অদু মণিপুরগীদমক য়েংলগা শেমদোকপিনবা ৱাকৎলুবা হায়বসি ইশানা তৌজগদবা থবকপু ঐখোয়গী য়াকা য়েংদ্রবদি করিসু তৌবা য়ারোই হায়না খনবা মীখা পোনবদা হৈনরকখ্রবা মীওই কাংলূপশিংগী চুশিনখ্রবা ৱাখল্লোনগুম্বনি। ৱাখল্লোন অসিনা কৈদৌঙদসু খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপাইনিঙাই ওইরবা ফিভমশিং অসি লাকশিনবা খক ঙম্লোই। মরম অদুনা ঙসি ঐখোয়গী মাঙদা খুন্নাইগী পুন্সিবু শিংনদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মচিল কয়া লোংবা থৌশিলবু মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয়গী থৌনা লৌশিং পুথোক্তুনা ইশাগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা মণিপুরগী অশেংবা মচাশিং ওইনবা অমুক্কা হন্না পাউজেল্লক্লি।

# রাম জন্মভুমিবু দাইটি অমনি হায়না করম্বা মতমদগী থাজনরকখিবনো হায়বগী ইভিদেন্স লৈতে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ** অযোধ্যাদা য়েৎনরিবা একর ২.৭৭কী রাম জন্মভুমি বাব্রি মসজিদ লমগী মপু ওইনবা পুখৎলিবা মুস্লিম পার্টিশিংনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা হিন্দু পার্টিশিংনা মোস্ক অদু থুগাদুনা মাঙ–তাকহনখিনবা অমসুং য়েৎনরিবা লম অদুদা লাইশঙ অমা শাজিন্নবগী ৱাখলগা লোয়ননা রাম জন্মভুমিবু দাইটি অমনি হায়নবগী ইভিদেন্স মখোয়না পীবা ঙমদে হায়খ্রে।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয় (সি জে আই) রঞ্জন গোগোইনা লূচিংবা জজ ৫না শাবা বেঞ্চ অমগী মমাঙদা মরৈ য়েৎলদুনা সেনিয়ার এদভোকেট রজীব ধবননা হায়খি, দাইটি রাম লাল্লানা কেস অদু থাঙ্গৎলকখিবা অমসং ১৯৮৯দা রাম লাল্লাগী মথক্তা অহেনবা ওইনা রাম জন্মভুমিবু দাইটি



ওইনা পুখৎলকখিবা অদু মোস্ক অদু থুগাইনবা অমসুং ১৯৮৫ খক্তদা লিংখৎখিবা রাম জন্মভুমি ন্যাসকী খূৎথাংদা লাইশঙ অমা শান্নবগী শঙ্ঘ পরিবারগী লাল্লোং অমনি।

হিন্দু পার্টিশিংনা ফোঙদোক্লিবা পূন্নমক অদু রাম মফম অদুদা পোকখি হায়বা থাজবগা লোয়ননা চহী চা কয়াদগী রাম জন্মভুমিবু দাইটি ওইনা মখোয়না লাৎলকখি হায়বসিখক্তনি। অদুবু রাম জন্মভুমিদা দাইটি অমা ওইনা লৌরকখিবা অমসুং মদুবু জুরিষ্টিক পার্সন অমগী ষ্টেটস পীখিবদু করম্বা মতমদগীনো হায়বগী ইভিদেন্স মখোয়না পীদে। অদুগুমবা ইভিদেন্স লৈতনা অমসুং লেপ্তুনা মখা চখনা লাইনিং–লাইশোন তৌবা য়াওদনদি করিগুম্বা এন্টাইটি অমত্তনা জুরিষ্টিক পার্সনগী ষ্টেটস ফংনবগী দাইটিগী ষ্টেটস ফংলোই। দাইটি অমা হায়বসি মীনা শাবা নৎত্রগা মহৌশাগী ওইগেরা করিগুম্বা মওং অমা শোয়দনমক লৈগদবনি হায়না ধবননা মহাক্কী ৱায়েৎ অদু সুপ্রিম কোর্টতা থমখি।

সেনিয়ার এদভোকেট ধবননা মখা তারদুনা কেস ফাইল তৌনবগী লিমিটেসন পেরিওদ অদু হৌবগী মতম ওইনা লৌগদবা নুমিৎ ১৯৪৯গী দিসেম্বর ২২–২৩গী লোন্নবা অহিংদা মোস্ক অদুগী সেন্ট্রেল দুম অদুগী মখাদা লাই মুর্ত্তিশিং থমজিল্লমখিবনি হায়খি।

অদুবু ১৯৫৯দা টাইটল সুট অদু থাঙ্গৎলকখিবা নিরমোহি আখরানা করম্না নেক্স ফ্রেন্দদা ‘সেবায়েট’ দ্যুটিশিং শিন্নখিবনো হায়বগী করিগুম্বা ৱাহৈ অমা ফাওবা য়াওদনা চহী ৪০গী মতুংদা ১৯৮৯দা সুট অদু থাঙ্গৎলকখিবনি। দাইটি অমগী হ্যুমেন এজেন্ট অসিনা ‘সেবায়েট’ অদুনি সেবায়েট অসিখক্তনা মসিগী হীরম পূন্নমক শিনগদবনি অমসুং লন–থুম কন্ট্রোল তৌগদবনি। করিগুম্বা সেবায়েট অদুনা থবক তৌদ্রবা নৎত্রগা দাইটি অদুগী ফনবগী মায়োক্তা থবক তৌবা নৎত্রগা মেনেজমেন্ট লান্না চখরবা নৎত্রগা প্রোপরটি অদু শেরান্নবা শিজিন্নবা হোৎনরবদি নেক্স ফ্রেন্দ অমনা দাইটি নৎত্রগা আইদোল অদুগীদমক সুট অমা থাঙ্গৎপা ঙম্মি। অদুবু হৌজিক্কী কেস অসিদদি নেক্স ফ্রেন্দ অদু লাই অসিদা থাজবা অমসু নৎতে, প্রোপরটি অদু থুগাইদুনা মাঙ–তাকহন্নব অমসুং মফম অদুদা লাইশঙ অমা শাজিন্নবা অমসুং সেবায়ত অদু য়াওহন্দনা মেনেজমেন্ট অদু পায়শিন্নবা হোৎনবা অমনি হায়রদুনা সেনিয়ার এদভোকেট ধবননা দাইটিগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলক্লিবা সুট অদু ককথন্নবা তকশিনখি।

## সনা–সুদোকু – ২৪৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 8 | 9 | 3 | 1 | 4 | 6 | 2 |
| 3 | 1 | 4 | 6 | 2 | 7 | 9 | 5 | 8 |
| 2 | 9 | 6 | 8 | 4 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 6 | 8 | 3 | 2 | 1 | 4 | 5 | 9 | 7 |
| 7 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 3 | 8 | 1 |
| 9 | 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 4 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 5 | 9 | 1 | 4 | 6 |
| 1 | 3 | 5 | 4 | 6 | 2 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 8 | 2 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-250**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 5 | 6 | | | 3 | |
| 5 | | | 3 | | 1 | | | 2 |
| | | 2 | | | 9 | 1 | 6 | |
| 3 | | | | 1 | | 2 | 5 | |
| 9 | | | 2 | | | | | 7 |
| | 6 | 1 | | 9 | | | | 3 |
| | 2 | | | | 6 | | | 1 |
| | 1 | | | 3 | | 9 | | 6 |
| 6 | | | | 2 | | | | 8 |